অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# আর ৱাই সী, মিখ্যা, কে এল ৱাই দি সী, আর এস ঈ দি ও সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস)ঃ

ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন (এ এম ভি এ) গী মীৎয়েং মখাদা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন্দা লৈবা রুরেল সোসিও-ইকনমি দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (আর এস ঈ দি ও) না শীন্দুনা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন মখাদা লৈবা ইরোইসলাম পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮দা আর ৱাই সী মোইদাংপোক, মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল, কে এল ৱাই দি সী কামোং অমসুং আর এস ঈ দি ও বেঙ্গুন সেমী ফাইনলে চঙখ্রে।

টিম ৭না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী ৱাই পি এ হিরানমৈ অমসুং পি ৱাই দি ও পাওবিতেক শান্নগদবা মেচ অদু ৱাই পি এ লাক্তবদগী পি ৱাই দি ও পাওবিতেক্না ৱাক ওভর ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরুকশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী আর ৱাই সী মোইদাংপোক অমসুং এস ৱাই দি সী সম্থেল শান্নখি। টিম অনীগী মায়কৈদগী মায় পাক্ন বগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা আর ৱাই সীনা এস ৱাই দি সীবু সেট ৩-১ (২৫-১৮, ১৮-২৫, ২৫-২৩, ২৫-২১) দা মায়থীবা পীখি।

তরেৎশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী আর এস ঈ দি ও বেঙ্গুন অমসুং ৱাই পি এ হিরানমৈ শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা সেট হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা য়ূম্বু ওইরিবা আর এস ঈ দি ওনা মেচ অদু লাকচরপ তৌনা শান্নখিবনা সেট ৩-০ (২৫-২০, ২৫-১২, ২৫-২০) দা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী মেচ শান্নখিবগী মতুং ইন্না মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল, আর ৱাই সী মোইদাংপোক, কে এল ৱাই দি সী কামোং অমসুং আর এস ঈ দি ও বেঙ্গুন সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

টুর্নামন্টে অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা হয়েং অয়ূক পুং ৭ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল অমসুং আর ৱাই সী মোইদাংপোক শান্নগনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা নুংথিল পুং ২ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে এল ৱাই দি সী কামোং অমসুং আর এস ঈ দি ও বেঙ্গুন শান্নগনি হায়রি।

৫শুবা ইমোইনু ত্রোফি ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# ঈ য়ু এস সী চীংদাই এফ সী, ৱাই দি সী মায় পাকখ্রে, ৱাই এস সী অমদি ৱাই দি সী এল দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩(ঐচ এন এস)ঃ

য়ুথ পেরদাইজ ক্লব থ্বালতাবী, য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্ট য়াইঙংপোকপী, য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব থম্নাপোকপী অমসুং সনাশাবী য়ুথ ক্লব সনাশাবীনা পূন্না খূশন্নদুনা শীন্দুনা সনাশাবী শান্নবুংদা পাঙথোক্লিবা ৫শুবা ইমোইনু ত্রোফি ২০১৮ ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ঈ য়ু এস সী তেলৌ, চীংদাই এফ সী অমসুং ৱাই দি সী থম্নাপোকপী-বি মায় পাকখ্রে। অদুগা ৱাই এস সী য়ৌরবুং খুনৌ অমসুং ৱাই দি সী এল পুংদোংবম-বি দ্রো চৎখ্রে।

টিম ২৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৬ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ৫শুবা ইমোইনু ত্রোফি ২০১৮ ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা ঈ য়ু এস সী তেলৌ অমসুং এম সী ৱাই এল লৈমখোংমপাল শান্নখি।

মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তুগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ৪শুবা মিনটতা ঈ য়ু এস সীগী জর্সি নম্বর ৯ কে ঐচ তোনদোনবনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকপদা নত্তনা মেচ অদু ঈ য়ু এস সীনা অঙনবা মতমদা গোল ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

এম ৱাই সী এলগী মায়কৈদগীসু মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক অমদি ঈ য়ু এস সীনা মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্লবা য়াঙনা শান্নরকপা হৌরকখি। মেচকী ১০শুবা মিনটতা এম ৱাই সী এলগী জর্সি নম্বর ১৯ টি ঐচ নিরঞ্জয়না ঈ য়ু এস সীগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু টিম অনীমক্না গোল ১-১দা লৈনখি। এম ৱাই সী এলগী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা গোল চন্নবা এটেক কয়া চঙশিল্লকখি। অদুবু ঈ য়ু এস সীগী মায়কৈদগী এম ৱাই সী এলগী এটেকশিং অদু দিফেন্দ তৌবদা নত্তনা মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নরকপা হৌরকখি।

মেচকী ১২শুবা অমদি ১৩শুবা মিনটতা ঈ য়ু এস সীগী জর্সি নম্বর ৪ টি ঐচ রমানন্দনা অমদি জর্সি নম্বর ৬ কে ইবোতোম্বনা গোল অনী মখং মথং চনশিন্দুনা মেচ অদু ঈ য়ু এস সীনা গোল ৩-১দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা এম ৱাই সী এলগী শান্নরোয়শিংনা ঈ য়ু এস সীনা মাঙজিল থারিবা গোলশিং অদু হন্দোক্ল বা হোৎনরবসু হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা এম ৱাই সী এলগী মায়কৈদগী ঈ য়ু এস সীনা অহানবা হাফতগী মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরবসু মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা ঈ য়ু এস সী তেলৌনা এম ৱাই সী এল লৈমখোংমপালবু গোল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা চিংদাই এফ সী অমসুং ওক্সু নিংথেমচা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অনীশুবা মিনটতা চিংদাই এফ সীগী জর্সি নম্বর ৯ কানমিন্থাংনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনখি। কানমিন্থাংনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু চিংদাই এফ সীনা অঙনবা মতমদা গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

ওক্সুগী মায়কৈদগীসু চিংদাই এফ সীনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোদাক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী ৮শুবা মিনটতা অমুক চিংদাই এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ নেমিনথাংনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু চিংদাই এফ সীনা গোল ২-০দা লৈখি।

চিংদাই এফ সীনা অঙনবা মতমদা গোল ২ মাঙজিল থাদুনা চৎলবসু ওক্সুগী মায়কৈদগীসু মেচকী ২০শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৮ ৱাই নাওচানা চিংদাই এফ সীগী মাঙজিল থারিবা অহানবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু ওক্সুনা গোল ১-২দা লৈখি।

ওক্সুগী মায়কৈদগী চিংদাই এফ সীনা মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুসু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু চিংদাই এফ সীনা গোল ২-১দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা চিংদাই এফ সীগী মায়কৈদগী মেচ অদু ফজনা শান্নরকখিবনা গোল ২ চিংদাই এফ সীগী জর্সি নম্বর ৯ কানমিন্থাংনা থংনা থংননা চনশিন্দুনা মেচ অদু চিংদাই এফ সী গোল ৪-১দা লৈখি। মেচ অদুগী লোইরমদাই মীৎকুপ্তা ওক্সুগী ৱাই নাওচানা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা অমদি চিংদাই এফ সীগী মাঙজিল থারিবা অনীশুবা গোল অদু হন্দোক্লুগা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা চিংদাই এফ সীনা ওক্সু নিংথেমচাবু গোল ৪-২দা মায়থীবা পীখি।


লীগ রাউন্দগী মরিশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই এস সী য়ৌরবুং খুনৌ অমসুং ৱাই দি সী এল পুংদোংবম শান্নখি। টিম অনীনা অহানবা হাফতগী লোইবা ফাওবদা লম্বা চানা শান্নখিবনা মেচ অদু ৱাই এস সী য়ৌরবুং খুনৌ অমসুং ৱাই দি সী এল পুংদোংবম-বি গোল ১-১দা দ্রো চৎখি। ৱাই এস সীগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ দল্লিয়ু ভানানা মেচকী ১৩শুবা অমদি ৱাই দি সী এলগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৯ আই রোহিটনা মেচকী ২৪শুবা মিনটতা চনখিবনি।

লীগ রাউন্দগী মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী মরিশুবা অমদি অরোইবা গ্রাউন্দদা ৱাই দি সী থম্নাপোকপী-বি অমদি ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপী-বি শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল ২-২দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা ৱাই দি সীনা মেচ অদু লাকশিন্না শান্নখিবনা ৱাই পি এফপু ৱাই দি সীনা গোল ৬-৩দা মায়থীবা পীখি।

# সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হো অমসুং চাইনাগী লি জুরুইনা সাউথ কোরিয়া ওপনগী নুপা অমসুং নুপীগী টাইটল লৌখ্রে





গুৱানজু, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী)ঃ

সাউথ কোরিয়াগী গুৱানজু সিটিদা লৈবা গুৱানজু রুমেন্স য়ুনিভর্সিটিগী কোর্টতা পাঙথোকপা য়ূ এস দোলর ২৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা সাউথ কোরিয়া ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৈবাক অদুগী শান্নরোয় সোন ৱান হোনা লৌখ্রে। অদুগা নুপীগী সিঙ্গল টাইটল অদুনা চাইনাগী শান্নরোয় লি জুরুইনা ফংখ্রে।

নবেম্বর ২৭তগী থা অসিগী ২ ফাওবা পাঙথোকখিবা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সীদেদ শান্নরোয় সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা হোং কোংগী লি চিয়ুক য়িয়ুবু ২১-১৯, ২১-১৪দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখি।

মহাক্কী রোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবা মলেসিয়াগী শান্নরোয় লি জি জিয়নানা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা থাইলেন্দগী সিথিকোম থামাসিনগা লম্বা তৌনরকপদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় অদু অহানবা সেটতা গেম ৩ শোৎখদুনা লৈরিঙৈদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় অদু শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা গেম ১-৪দা লৈহৌখি। ফাইনেল মেচ অদুদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় সোন ৱান হোনা মলেসিয়াগী লি জি জিয়াগা লম্বা তৌনরকপদা হৌবদগী মপাঙ্গল হেন্দুনা শান্নবা ঙমখি। সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান টুর্নামেন্ট অদুদা নুপাগী সিঙ্গলসকী নম্বর ৱান সীদেদ ওইনা শরুক য়ারকপনি।

অমরোমদা, কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱানগা লম্বা তৌনখিবা মলেসিয়াগী লি জি জিয়া সিদ্দিং ফংদনা শরুক য়ারকপনি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেমদা সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোনা মলেসিয়াগী লি জি জিয়াবু লাকশিন্দুনা ২১-১৬তা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অনীশুবা গেমদা মলেসিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী অহেনবা প্রেসর পীরক্কনি হায়বগী পান্দমদা মেচ অদুবু মীৎয়েং তাখিবা মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনখিবা অদু অরেম্বা তাদুনা সোন ৱান হোনা মখা তানা ফজবা হেনখিবদগী ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা গেম অদু ২১-১১দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গল টাইটল অদু ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা মতম অমদা মালেমগী অৱাংবা থাক্তা লৈরম্বী চাইনাগী লি জুরুই অমসুং মহাক্কী লৈবাক অদুমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় হান য়ুগা লম্বা তৌনখি।

পনবা য়াবদি লি জুরুইনা সেমী ফাইনেলদা মলেসিয়াগী গো জিন ৱৈবু ২৩-২১, ১০-২১, ২১-১৪দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি। অদুগা মহাক্কা লম্বা ওইখিবী চাইনাগী অতোপ্পা শান্নরোয় হান য়ুনা সাউথ কোরিয়াগী কিম হিয়ো মিনবু ১৯-২১, ২১-১৩, ২১-৯দা থোইরম্বনি।

ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা সিদ্দিং ফংদনা লাকখিবী লি জুরুইনা ৮শুবা সীদেদ শান্নরোয় হান য়ুবু য়াম্না কোম্না ২১-১০, ২১-১৮দা থোইদুনা কোরিয়া ওপন নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ৮শুবা সীদেদ পেয়র চাইনিজ টাইপৈগী পো লি ৱৈ অমসুং ৱাং সি লিননা সাউথ কোরিয়াগী সোই সোল গিয়ু অমসুং সিয়ো সিয়ুং জেগা লম্বা তৌনখি। পনবা য়াই, চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র পো লি ৱৈ অমদি ৱাং সি লিননা মখোয়গী সেমী ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী কিয়ুং সা রাং অমসুং মলেসিয়াগী টান বুন হিয়ুংবু ২১-১৮, ১২-২১, ২১-১৭তা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

নাকল অমরোমদা, সাউথ কোরিয়াগী পেয়র সোই সোল গিয়ু অমদি সিয়ো সিয়ুং জেনা টুর্নামেন্ট অদুগী ৭শুবা সীদেদ পেয়র ওইখিবা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র লু চিং য়াও অমসুং য়াং পো হানবু ১৪-২১, ২১-১১, ২১-১৪দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ফাইনেল মেচ অদুদা চাইনিজ টাইপৈ অমদি সাউথ কোরিয়াগী পেয়রগী লম্বা অকনবা ওইখি। অহানবা গেম সাউথ কোরিয়াগী পেয়র সোই সোল গিয়ু অমসুং সিয়ো সিয়ুং জেনা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র পো লি ৱৈ অমদি ৱাং সি লিনবু ২১-১২দা থোইখি।

অনীশুবা গেম অদু চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র অদুনা তাঙ্কক খরদা ফজবা হেনখিবদগী ২১-১৭তা থোইরগা গেম অমমমদা মান্নদুনা লৈখি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেল অদুগী অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা সাউথ কোরিয়াগী সোই সোল গিয়ু অমদি সিয়োল সিয়ু জেনা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র অদুবু ২১-১৮দা অকনবা লম্বা অমদা মায়থীবা পীদুনা নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু ফংবা ঙমখি।

নুপীগী দবলসতা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র অনীগী লম্বানা ফাইনেল মায়োক্নখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সীদেদ নুপীগী পেয়রদা শরুক য়াখিবা সাউথ কোরিয়াগী লি সো হি অমসুং সিন সিয়ুং চাননা মখোয়গী সেমী ফাইনেলদা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র বেক হা না অমদি কিম হিয়ু রিনবু ২১-৪, ২২-২৪, ২১-৭তা থোইরম্বনি। অদুগা ফাইনেলদা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র চান অমসুং জুননা সেমী ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী য়ুলফিরা অমদি জোজাবু ২১-১০, ২১-১৬তা থোইরবা মতুং ফাইনেলদা মখোয়না অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী পিয়র লি অমসুং সিনবু ২১-১৪, ২১-১৭তা থোইরগা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসতসু কোরিয়াগী পেয়র অনী ফাইনেলদা লম্বা তৌনখি। পেয়র অনীমক টুর্নামেন্ট অসিগী সিদ্দিং ফংদনা লাকখিবনি। সোই সোল গিয়ু অমসুং সিন সিয়ুং চাননা সেমী ফাইনেলদা মলেসিয়াগী প্রবিন জোর্দান অমদি মেনলাটি দিভাবু ২২-২০, ১৮-২১, ২১-১৭তা থোইরমখি। অদুগা মখোয়গী ফাইনেলদা লম্বা ওইখিবা সোই সোল গিয়ু অমসুং সি সিয়ুং চাননা সেমী ফাইনেলদা হোং কোংগী মেক হি চুন অমসুং সাউ হোই ৱাবু ২০-২২, ২১-১১, ২১-১০দা থোইরম্লবা মতুং ফাইনেলদা মখোয়গা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র সোই অমসুং সিনবু গেম ২-১দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

# মুম্বাই সিটি এফ সীনা দেল্লি দাইনামোসপু পাঞ্জল ৪-২দা থোইখ্রে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪৭শুবা মেচতা মুম্বাই সিটি এফ সীনা দেল্লি দাইনামোস এফ সীবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইদুনা মুম্বাই সিটি এফ সী টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ টেবলদা মরিশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুদা দেল্লি দাইনামোস অমসুং মুম্বাই সিটি লম্বা তৌনরকপদা মেচকী য়াম্না ঙল্লিবা মতমদা মুম্বাই সিটি এফ সীনা পুশিল্লকপা বোল অমদা দেল্লি দাইনামোসকী দিফেন্দরশিংনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জল অদুনা মুম্বাই সীটি এফ সীগী কান্নবা ওইরগা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা দেল্লি দাইনামোসকী মায়কৈদগী এল সাংতেনা টিমমেট মার্কোস টেবরনা খাইরকপা বোল অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মখোয়না মুম্বাই সিটি এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মখোয়মক্কী শান্নরোয়গী অশোয়বা মরম্না পাঞ্জল অমা লেম্না পীখিবা অদুদা দেল্লি দাইনামোসকী শান্নরোয়শিং ইক্কেলাইজর ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। শান্নবগী অহানবা হাফ লোইবা মতম য়ৌশিল্লকখি। ইঞ্জুরি টাইমগী ওইনা মিনট খরা হাপ্লিঙৈদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী ক্রেপিনা গোল অমগা চন্দুনা পাঞ্জল মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকান কান্নদ্রিঙৈ মুম্বাই সীটি এফ সীগী মায়কৈদগী রাফেল বার্টোসকী পেনালটি অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মুম্বাই সিটি এফ সী অমসুং দেল্লি দাইনামোস পাঞ্জল ১-১ দা লৈনখি।

মেচ অদু পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা লাক্লবা মতুং শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা দেল্লি দাইনামোসকী ক্রেসপিনা শোয়বদগী পাঞ্জল অমা মুম্বাই সিটিগী এটেক্তা চনশিনজখিবা অদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল ২-১দা মুম্বাইনা দেল্লিবু মাঙজিল থারগা চৎখি।

শান্নবগী মখা তারকপদা পাঞ্জল অমা শোৎখরিবা দেল্লি দাইনামোসকী মায়কৈদগী মেচ অদগী ৬৪শুবা মিনটতা জি জুভরলুননা মহাক্কী টিমমেট আর মিহেলনা পীরকপা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা টিম অনী য়াম্না মান্নবা মওংদা লৈখি।

মেচকী ৬৯শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী পাওলো মসারোনা খাইরকখিবা বোল অমা টিম মেট আর ফর্ণান্দেজনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা মুম্বাই সিটি এফ সীনা দেল্লি দাইনামোস এফ সীবু পাঞ্জল ৩-২দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী লেমহৌবা পুঙ্খায় ফাদ্রবা মতম অদুদা দেল্লি দাইনামোসকী মায়কৈদগী শান্নরোয় ২ শিন্দোক্তুনা শোৎখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা অকনবা প্রেসর পীনবা হোৎনরকখি। অদুবু মুম্বাই সিটি এফ সীগী শান্নরোয়শিংগী মপূং ফাবা দিফেন্স অমদি ষ্ট্রাইকরশিংগী চুংশিন্নবা পাঙ্গলনা মেচ অদু লোইগদবা মিনট ১০ ৱাৎলিঙৈদা টিম অদুগী শান্নরোয় এ ইসোকোনা পীরকপা পাস অমা মহাক্কী শান্নমিন্নরোয় পাওলো মসারোনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা দেল্লি দাইনামোসপু পাঞ্জল ৪-২দা মাঙজিল থারগা লৈখি। লেমহৌবা মিনট ১০গী মতম অদু অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মুম্বাই সিটি এফ সীনা ৪-২দা থোইদুনা ৪শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখি।

# হোকি মেন্স ৱর্ল্ড কপ্তা অর্জেন্টিনানা ন্যুজিলেন্দবু মায়থীবা পীখ্রে, স্পেন অমসুং ফ্রান্স দ্রো চৎখ্রে



ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্লু ওইদুনা পাঙথোকপা হোকি মেন্স ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা পুল এগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা অর্জেন্টিনানা ন্যুজিলেন্দবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে। অদুগা পুল অসিগী অতোপ্পা মেচ অমনা স্পেন অমসুং ফ্রান্স পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী ওরিষা ষ্টেট কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ হোকি ষ্টেদিয়মদা ঙসি হোকি মেন্স ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্টকী ১১শুবা মেচ ওইনা পুল এগী ফ্রান্স অমসুং স্পেন লম্বা তৌনখি। মেচকী অহানবা ক্বার্টরগী তরুকশুবা মিনটতা ফ্রান্সকী মায়কৈদগী টিমোথি ক্লিমেটনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা স্পেনবু মখোয়না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ফ্রান্সকী টিম টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা শান্নখিবা মেচদা ন্যুজিলেন্দনা মখোয়বু ২-১দা থোইরম্বনি। মদুগী মতুং পোইন্ট ফংনবা হোৎনবদা অর্জেন্টিনাগী মখূৎতা অহানবা রাউন্দদা ৩-৪দা মায়থীহৌবা স্পেনগী মায়োক্তা পোইন্ট লৌনবা হোৎনরকখি। শান্নবগী অহানবা হাফ লোইশিনবা ফাওবদা স্পেন পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী অরোইবা ক্বার্টরগী অহুমশুবা মিনটতা স্পেনগী অলভারোনা ইক্কেলাইজর চল্লগা টিম অনী পোইন্ট ১/১ য়েন্নখি।

পুল এগী অতোপ্পা মেচ অমদা অর্জেন্টিনা অমসুং ন্যুজিলেন্দ লম্বা তৌনখি। অর্জেন্টিনাগী মশান্না অদু অহানবা ক্বার্টরদা ন্যুজিলেন্দনা লম্বা পীবা ঙমদুনা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্মখিদে।

অনীশুবা ক্বার্টরদা অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা ওগষ্টিন্না পাঞ্জল অমা চনখিবা, টিমমেট লুকাসনা ৪১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিনখিবা অমসুং শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী মার্টিনেজনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ন্যুজিলেন্দবু ৩-০দা থোইখি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor; Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com